ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯊꯥꯡꯖ, ꯁꯦꯞꯇꯦꯝꯕꯔ ꯰꯳, ꯲꯰꯱꯶, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯰ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯱꯵꯵ ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ

হুইয়েন লানপাউ
থাংজ, সেপ্টেম্বর ০৩, ২০১৬, ইম্ফাল
৪০ শুবা চহী, ১৫৫ শুবা মশীং

# মণিপুরদা বন্দ, ব্লোকেদ

## *মীয়ামদা অপনবা পীরোইদবা প্রোটেষ্ট তৌসি*

***ফেসবূক*** অমসুং ৱাচ্চঅপ গ্রুপশিংদা মণিপুরদা বন্দ মথং-মথং তৌরকপগী নুংঙাইরবা ফাগী মতেক কয়া থাগৎনরকখি। শক্লাইরবা অইবা রনধির কুমার য়েন্দ্রেম্বমনা মহাক্কী ফেসবূক একাউন্টতা ‘হয়েংদংগা কনানো অমত্তা বন্দ কৌবীয়ুবা, ঙসি য়ুমদা লৈবা য়াম্না নুংঙাইখ্রে’ হায়না থাগৎলকই। ৱাচ্চঅপ গ্রুপশিংদা চয়োলসিদা বন্দগী লিষ্ট অমসু শেন্নগা থাগৎনরকই। চহী অসিগী ওগষ্ট ৩১ বি জে পি মণিপুর প্রদেশনা অয়ুক্কী পুং ৬ তগী নুমিদাংৱাইরমগী পুং ৬ ফাওবা মণিপুর বন্দ কৌখিবা, সেপ্টেম্বর ১ দা কে সী পি পোইরৈ মৈতৈ লূপ কৌবা লালহৌলূপ অমনা জেনিমসকী মতাংদা পুং ১২গী বন্দ কৌখিবা, সেপ্টেম্বর ২ দনা ট্রেদ য়ুনিয়ন কাঙবুনা পুং ১২ গী বন্দ কৌখিবা, সেপ্টেম্বর ২ দগী ৪ গী নুমিদাং পুং ১০ ফাওবনা ওল মণিপুর সরেন্দর ৱেলফ্যোর এসোসিএসন্না বন্দ কৌখিবগী নোটিশ অমখক শেন্নগা থাগৎলকখি। হেপ্পি বন্দ ৱিক হায়না করেম-কথায়নবা ৱাফমশিং সোসল মিদিয়াশিংদা থাগৎলকপা উরুবদা নোক্লিংবসু ফাওই। অঙকপনি সনা লৈবাকনি হায়রিবা মণিপুরসিদা বন্দ তঙ্খায় তৌবগী চৎনবী অমসু উবা ফংলকই। বি জে পি মণিপুর প্রদেশনা কৌখিবা পুং ১২ গী মণিপুর বন্দ নুংথিলগী পুং ১ দা তেনশিল্লে হায়না লাউথোকখিবা অমসুং মথংগী নুমিৎতসু কে সী পি পোইরৈ মৈতৈ লূপনা কৌখিবা বন্দ অদুসু নুংথিলগী পুং ১ দা তেনশিল্লে হায়না লাউথোরকখি। মীয়ামগী চখোক-চৎশিন অমসুং তঙাই ফদবা থবক অয়াম্বা অয়ুক্তগী পান্দম অমা থন্নগা তৌনবনা নুংথিলগী মতমদা মীয়াম তাবোই-তাদবোই তৌদুনা বন্দ তঙ্খায়দা তেনশিল্লে হায়বা ৱাফম অসিদি মীয়ামদা থোইনা কান্নবা ফংখিদে। মরম অদুনা বন্দ তঙ্খায়দা তেনশিল্লে হায়বা ৱাফম অসিগী মহুত্তা মপূম অদুম তৌবীয়ু হায়নসু সোসল মিদিয়াশিংদা ফোঙদোক্লরকই। হন্দক্কী চয়োলসিখক্তা নত্তে, মণিপুরদা কৌরিবা বন্দ, ব্লোকেদশিং অসি য়াম্নসু তোয়মনখ্রে। মসিনা দিমোক্রেসিদা বন্দগী চন্নফম লৈহন্দ্রে। মীয়ামসু বন্দ, ব্লোকেদ হেক পল্লকপদা হূ তরেৎমুক খাবা হায়বদু য়ৌরে। পুম্ন মক অসি কনানা থোকহনবনো হায়বা তারবদি মণিপুর লৈঙাক্লনি হায়নরক্কনি।

করি মরমগীদমক অশুক য়াম্না তোয়না মণিপুরদা বন্দ, ব্লোকেদ তৌরিবনো হায়বগী ৱাহং লাকপা মতমদা লৈঙাক পুরিবশিংগী অশোয়বা লৈবদগীনি হায়বসিমদি শোয়দনা মীয়াম্না হায়নগনি। গভর্ণমেন্ট হায়বসিদি মীয়াম্না পান্বা খূদিংমক থবক্তা ওন্থোক্লবা হোৎনগদবনি হায়জরবসু মফম মতমগী মতুঙ ইন্না ঙমদবা কয়ামরুমসু লৈফম থোকই। লৈত্রবা পোৎ অমা পীয়ু হায়বা তারবদি কমদৌনা পীগদৌরিবা হায়বা ৱাফম অমসু লৈবনিনা বন্দ, ব্লোকেদ তোয়না তোয়না তৌবীরিবা কাঙবুনা খরসু খন্থবা চুমগনি। লৈনা লৈনা পীনিংদবনি, মরম চাবনি হায়রগনা বন্দ নত্তবা অতোপ্পা পান্বে ময়ামসিগী মনুঙদা অমা খল্লগা প্রেসর পীবা য়াই। ঙাইহাক ঙাইহাক্কী থৌশিলদা বন্দ, ব্লোকেদ লোইশিনহনবা চুম্লোই। মরম চারগা মীয়ামগী অপান্বদু পীথোকপা তাই। মরম চাদ্রগনা চপ চানা থেংনবা তাবনি। লৈঙাকপা হায়বসিমক্তবু অকল অরিং শীংলকপশিংদা হিংচাবগী মীৎয়েং য়েংগদবনি। পান্বে লৈজদ্রবা কনাগুম্বগী মরম চাবা ৱাকৎ ওইরগদি লাইনিংবা অমগী মতৌ লৌরগা থোৎনা ইংনা মীওই অদুবু কোনখৎপীগদবনি। করিগুম্বা মতমদা গভর্ণমেন্ট অমা লৈ হায়বসি চীন্দা ফজনবা ঙাইহাক ঙাং শকপা নত্তনা থবক্লা উৎপসু ফগনি। মসি তৌদবদগী মীয়াম্না লৈবাক অসি মপু পান্দ্রে হায়নরক্লিবনি। মতাঙ অসিদা পঞ্জনিংবা ৱাফমদি মণিপুরদা ঙাইহাক লৈতনা বন্দ, ব্লোকেদ তৌবনা ষ্টেট অসিগী শেন্মীৎলোন কাং খোং চাইহনবদা নত্তনা লল্লোন ইতিক তৌনরিবা ম্যান্মারগুম্বা লৈবাকশিংনা মণিপুরবু থাজরক্তবা হায়বসিনি। রিসোর্ছ নিংথী-নুংঙাইনা লৈজদবা, নিরগা চারিবা মণিপুরীশিংনা মশাগী শেন্মীৎলোনগী ফীবম ফগৎহনগে হায়বা তারবদি মীনা হোৎনরিবশিং অদুদগী শরুক তঙ্খায় অমা হেনগৎনবা হোৎনবগী মথৌ তারিবনি। ঐখোয়গী মহৈরোয়শিং মহৈ তম্বদা অপনবা পীফম থোক্তে। বন্দ, ব্লোকেদনা মহৈ তম্বদা অকায়বা অমত্তা পীরোইদবনি। এমপ্লোয়ীশিংসু মখোয়গী হক তানবদা থবক লেপ্পগী মহুত্তা হেন্না কন্না থবক শুজিল্লগা চহী অমগী মতুঙদদি মখোয়গী তোলোপ হেনগৎতবা য়ারোই হায়না প্রেসর পীরবদি গভর্ণমেন্টনা চুম্মীনা হায়বা ৱাফম লাক্কনি। মতাং অসিদা পঞ্জনিংবদি চাউখৎপা খুন্নাই অমা পুরক্লবগীদমক মীরোল অসিনা বন্দ, ব্লোকেদ থাদোক্লগা মীয়ামদা কায়রোইদবা মখলগী প্রোটেষ্ট চথসি নৎত্রবদি ঐখোয় চাউখৎপা কৈদৌঙৈদসু ঙম্লোই।

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-২১

১। ‘‘চৎলসিনে কদাইদনো ইবানি / থাবলগী ঈপাক মথকসিদা হিহোনবনা য়ৌঙমদ্রবা লমদমদুদা’’ কবি কনানা হায়রম্বনো?

২। মমিং লৈরবা ক্রিটিক নোংমাইথেম তোম্বীনা শৈরেংগী লাইরিক অমখক ফোঙখ্রে। মমিংদু করি কৌই?

৩। ‘নোংথাঙলৈমা অমসুং তাইবঙ’ লাইরিকসিগী অইবীদু কনানো?

৪। ‘তমস’ মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপনো?

৫। হাপ্লিবা শক্তম অসি কনাগীনো? ☞



ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম সেপ্টেম্বর ০৯, ইরাই নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল hueiyenliteraryquiz@gmail.com সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা / থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ।

ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়নন্না খল্লবা মীশক অদুদা খুদোলপোৎ পীজগনি।

**হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-২০ গী পাউখুম চুম্না থাবিরকখিবশিংদি**

| | | |
|---|---|---|
| ১। | *সগোলশেম লল্লেবী চনু, লংথবাল কুঞ্জ ময়ায় লৈকায়* | *(৫)* |
| ২। | কোন্সম হেমন্তা, মোটবুং বজার | (৫) |

**হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ- ২০ গী ৱিন্নর**

*সগোলশেম লল্লেবী চনু, লংথবাল কুঞ্জ ময়ায় লৈকায়*

দ্রো ওৎপদা মরাইবক ফবা ওইখ্রবা

**খুদোলপোৎ লান্থোক্কদবা নুমিৎ অমসুং মফম**

সেপ্টেম্বর ০৪, নোংমাইজিং নুমিৎগী নুংথিল পুং ৪:০০;
হুইয়েন লানপাউ ওফিসতা লান্থোকচগনি।

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-২০ গী পাউখুম

১। ‘চৈরৈ’ ৱারীমচাগী লাইরিক্তুগী অইবা কনানো ? ঃ- চোংথাম মনিহার

২। ‘মমিগী মমি’ শৈরেংগী লাইরিকসি কবি কনানা ইরম্বনো? ঃ- আর কে মধুবীর

৩। ‘কেক্টস মানবী’ ৱারীমচা ইবী অইবীদু কনানো? ঃ- নিংঙোম্বম সনাতোম্বী

৪। ‘কায়রবা ঈশিং পুন’ মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপনো? ঃ- আর কে মনি

৫। হাপ্লিবা শক্তম অসি কনাগীনো? ☞


ঃ- হৱাইবম নবদ্বিপ



# তম্নলাই লৈত্রে, তম্নলাইদি মীনা ওইহৌরে

## ৱাইরু ৱাইরুবদা

### হোঙবা



**লান্না** থাজনবী কয়াগী চৈথেং নুপী অমদি নুপাশিং অসিনা ইতৎ তত্তনা ফংলি। মহৌশানা নুপীদনা মসিগী চৈথেং অসি খরা য়াকশিনবা হেনবগুমসু তৌই। (লান্না থাজনবী) সুপরষ্টিসন হায়বা অসি মরম ইচা চাদনা থাজবা মখল অমনি। মসি মতমগী মোর্দন সাইন্স অসিগদি য়াম্না তাইওন্নবা অমনি। নুপানা সুপরষ্টিসন ওইনা খনবদু নুপীনা মদু সুপরষ্টিসন নত্তে হায়না খনবসু য়াওদবা নত্তে। লাইরিক লাইশু হৈবা অমনদি করিসু লৈতনা খল্লবা পোৎ অমা লাইরিক্কী মঙাল কয়া য়ৌনা ফংদবা মী অমদদি মদু য়াম্না লান্না হেক্তা থাজরি।

নুপীশিংনা অনা অয়েক্কী মতমদা, অঙাং উনবগী মতমদনা সুপরষ্টিসনগী চাং অসি কা হেল্লি। অঙাং অমনা মশা শাগৎলগা য়াং চিংলকপদা মন্ত্র কাম্মগা ফগনি হায়না লৈথোক্লরি। অঙাংনা য়াং চিংলকপা মতমদা মশা অদু ইংথনবা হোৎনবীরগা ঙাইহাক লৈরগা মন্ত্র শোন্দবীদা ফরক্কনি হায়বসি রেদিও তারগা ইরায় লায়না খঙবা ঙমখৎলক্লবা মতমনি। ঙাইহাক লৈরগা ফজরগদবা য়াং চিংবা অদু মন্ত্র কামশিল্লুরবনিনা মন্ত্রনা ফহনবনি হায়না মচা নারিবী নুপী অদুনা খলহৌবা তাবনি। মসিনি সুপরষ্টিসন হায়রিবা পোৎ অসি।

অনা অয়েক লাই-তীন, তীনমু লাইমুনা, হেলোইনা থোকহনবনি হায়দুনা খন্নবসু য়াওরি, খন্নদবসু য়াওরি। ৱেন্দা নাবা অনাবা কয়া মন্ত্র শোন্দুনা লৈথোক্লুরগা মতম লোইরকান্দা মমৈদা হোস্পিটালদা পুখৎনরি। মসিদি ডোক্তরগী অনাবা নত্তে হায়বা ৱাফম কয়া শন্দোক্তুনা অনাবগী চিরবা মতম কয়া মাঙহনবীদুনা অনাবা অদু হাৎতোকপীবগা চপ মান্নরি। অনা অয়েক্কী মরমদা খুঙ্গংগী নুপীশিংদগী হেন্দোক্তুনা লাইরিক লাইশু হৈরবা সাইন্স তন্নকপা মী ফাওবা অদুম ঙাউনরি। নর্স ওইবী নুপী ফাওবা কম্পেনি কয়ানা মথোং মরম খঙদনা শারকপা হীদাক লাংথক কয়া মীঙোন্দা নময়োন য়োনবা য়াওরি।

এইদস, কেন্সর, দাইবেটিস, হুই অঙাউবনা চীকপা কয়া লায়না ফহনবা ঙম্লে হায়বা এদভর্টাইজমেন্ট কয়া পাউচে কয়াদা উনরি। লাইগী মরমদদি জেনরেল নোলেজ ওইনা খরা খরা খঙননবা রেদিও অমদি টেলিভিজন্দা নুমিৎ খুদিং শন্দোক্লে। মসি মুন্না তাবদগী ঐদি লায়নাগী মরমদা লৈবা লান্না থাজনবী কয়া কোকপা ঙম্লে। রেদিও অমদি টেলিভিজনবু খুরুমজরি।

দাইবেটিস ফবা হীদাক পুথোক্লে, মদুগী হীদাক্তু চারুবদগী দাইবেটিস ফরে, হায়পরটেন্সন ফরে হায়বা কয়া তারি। মসি কদাইফাওবা চুল্লজাৎনো হায়বসি ঐখোয়না থিজিন্নদ্রি। রেদিওদা, টেলিভিজন্দা অমদি অতৈ মিদিয়া কয়াদা তারবা পোৎনি। মসি ডোক্তরগী ৱাফম ঙাক নত্তে জেনরেল নোলেজগীনি। হুইনা চিকপা হায়বসি মহীক্কী ৱাফমনি অদুগা লিননা চিকপনা মহুনি। হুইনা চিকপবু মহিকনি খন্দদুনা মহুনি হায়না খল্লগা হু চাম্নবা হীদাকনি হায়দুনা ৱাসা মতোনগা চেঙগা শাইরগা থোমদুনা লৈথোক্লুরগা অনাবা অদু শিহল্লি। নাদবা হুইনা চিকপদি লায়েংবা লাই। অনাবা হুইনা চিকপদি লায়েংবা লুই হায়বসি হৌজিক্কী মতমদা মুন্না খঙজিনবা ফরে। হুইনা চিকপা খুদিং মহিক রেবিস অসি চঙবদি নত্তে। অসুম্না মহিক য়াওদবা হুইনা চিকপা মীদু লাই তীন খুরুম্মগা নৎত্রগা মনা মশিং অশুবা খরা মহি শুমজিল্লগা অনাবা অদু ফরক্কনি খনবা মী য়াম্না লৈরি। মদু শুমজিল্লিবা হীদাক অদুনা ফহনবা নত্তে। ঙাউদবা হুইনা চিকপগী লাইবক লৈবনি। তশেংনা ঙাউরবা হুইনা চিক্লবা মী অদুদি মেদিকেল ত্রিটমেন্ট নৎত্রবদি অদুম শোরাট চেবাউ নম্বা য়ারে। মসিগুম্বা জেনরেল নোলেজ ওইরবা ৱাফম অসি নুপীশিংনা খঙজিল্লবদি য়াম কান্নগনি।

নুপীশিংনা লাইফাও কয়া থাজদুনা ইমুং মনুং মহী লাঙবা, শেমজিল্লিগা শেমজিন্দেগা, ভুট থাজিল্লিগা থাজিন্দেগা হায়দুনা ইমুং অমগী পোকমিন্নবা মচিল মনাও কয়া য়ৈনা শুনরি। মরম শুকচা চাদ্রবসু থাজনবা হান্না মাঙদা থানরি ঐদগী চিংনা। মতম খরগী মমাঙদা লাইদা লফু কৎলু, মোমবতি কৎলু হায়নবা খরা তাখ্রে। মরম চাদে খল্লসু মদু য়েৎলুরগা ময়াম্না চৈ থাংলক্কদ্রা হায়না তুমিন তুমিন লৈনরি। লাইনা কয়া ফহনবা ঙম্লে, হীদাক পান্বী অমা হৌরম্লে হায়নবা তারুরে অদুম থাজনরুরে হৌজিক মহাক তাখিদ্রে। অদুবু মরম চাদবা পোৎ অসিদি মতমগী মতুং ইন্না মতমগী ইরোলনুংদা চুপ লুপচখি। ক্লেসন তৌবা তাই। মরম পীয়ু হায়বা য়াই। মতম অমদসু নুপা মচা অমনা জিষু খৃষ্টকী শক্তি চেল্লি অনাবা কয়া ফহল্লে হায়নরুরে অদুবু হৌজিক মদু তাখিদ্রে।

লায়েংবা ঙমদবা অনাবা লৈ, চহী খুদিংগী মী কয়া শিরি। অদুবু অনাবা মখল শুনা লায়েংবা ঙম্লে হায়বা মী কয়াসু পাউচেদা উরে। মী হায়বসি শিনিংবা কনাসু য়াওদবনিনা অনাবা কয়া লায়েংনবা মন্ত্রসু, মঙতাকসু ময়াম অমা লৈরবনিনা শিফমদি থোক্তি থোক্ত্রবনি।

চাওখৎলকপগী মতুং ইন্না মতমগী ইরোলনুংদা য়ূম্ফম য়াওদবা থানজবী কয়া অদুম মুৎচখিগনি। কোলেরাবু লাই, থোকপবু লাই তীননা থোকহনবনি হায়বা ৱাখলসু লাপ্না লৈনরক্লিবসিনি। নৌনা অঙাং উনরিবী মমাদা অদু পীজবা য়াই য়াদে হায়না অথিংবা কয়া থন্নম্বা অদু হৌজিক্তি ইরৈ লৈরক্ত্রে হায়বা য়াই। হৌজিক্তি রাজস্থানগী উত্তর প্রদেশতগী বাবা অমা লাক্তুনা খুবাক ময়ি য়েংলনি লাইফাও ফাওরনি হায়বদা না ওইনা তনরক্ত্রে মদুগী মহুৎ ফমুংদা হিপ্লগা পোথারগা লৈনরবা মতমনি। হৌজিক্তি ভুট প্রেট শান্নে হায়বসু তাশিল্লক্ত্রে। তম্নলাইসু কিরমাল্লে তাখিদ্রে। লমতাই থাংজগী নুমিদাংদা চৎপা ঙম্নরমদবা অদু লৈত্রে।

মালেম উৎ ওল্লনি, নুমিৎ কয়ানি পুন্মম মন্নলনিকা হায়বগুম্বা ৱা কয়া তানখি অদুবু মদু অরানবা তারগা তোক্লিসিনি। থাইনগী লাইফাওশিংসু মখোয়না হায়রিবা ৱাশিং অদু মীশক, পুংফম, নুমিৎ, থা, তাং, চপ চপ চানা পল্লগা হেক্তা ময়েক শেংনা ইরম্বসু অমত্তা নত্তে। শৈরেংদৌনা অরোৎ ৱা ওইনা হেক্তা ইরগা থনম্বনি। মদু ঐখোয়না শোমদা শাদোক্লগা ওইহন্নিংবা মওংদা অর্থ হনবা হৈরগা লোইরবনি।

ইন্দিয়াদি গোদমেন কয়া মরাং কায়না লৈবা লৈবাক অমনি। ইকুই কুইদনা হন্দক্তা সনা কেজি কয়া লৈনুংদা লোৎতুনা লৈরমগনি হায়না গোদমেন অমনা হায়দুনা এক্সকাভেসন তৌহনখি অদুবু ফোরসেট তাদুনা তোকখি। গনেশনা শঙ্গোম থকপগী ৱাফম তানখ্রে। অদুবু মমৈদা লুখাক্লোমদা হুনজেক্লখ্রে। মীওইবগী কোক্তা য়াওবা মরম চারিব্রা নৎত্রগা চাদ্রিব্রা হায়বসি খঙনবা খূৎলাই অসি শীজিন্নদুনা ৱাহং কয়া হংলবদি কনা অমত্তনা লান্না থাজবা ঙম্লোই। ঐখোয়না মতম অসিদা য়াম্না সাইন্টিফিক ওইবা ৱাখল খনবা হৌরকপা উরে। লান্না থাজনবীনা মতম মাঙহল্লি, শেল মাঙহল্লি, পাঙ্গল মাঙহল্লি, ওইজবা মাঙহল্লি, অশিংবা মাঙহল্লি। ঐখোয়পীগী নীংতম্বা মখল অমসু লৈরি মদুদি লান্না থাজনবিশিং অসিদগী লাপ্না লৈরবা মতমদনি।

# মী মখল মান্নদবা কৈদৌবগে

**—— নবকুমার ওইনা**

**মীবু** লাইনা শাই হায়বসি থাজফাত্তে। অসুক য়াম্বা মীসি অমত্তা হেক মান্নদে। ক্লোন্নিং তৌরবদি মান্নগনি, শমব্রু ফাওবা মান্নবা য়াই হায়বসু লৈ। মেছিন অমনা শারিবা, ফেক্টরি অমনা শারিবা পোৎশিং লোয়না মান্নবা ঙমদে। লাইদি ঙম্বা য়ারিপোৎনি, লাইগী খ্বাইদগী অশোয়বসি মীশিংসি অমত্তা মান্নহল্লমদবসিনি হায়নীংই। লোয়নমক মান্নহনবা য়াবপোৎ নত্তেদা, মী য়াংখৈ-চান্মা চপ মান্নবশিংনা বেঙ্ক লুট তৌরবদি করম তৌনি? মী লোয়না মান্নরবদি তাইবঙ লীলা শান্নবা য়ারোই। লাইসি অমুক চুল্লকইনে? মীদি মীনি হায়বা অমদি মান্নরিদনা।

মান্নদে, জে সি বি হায়নরিবসি অমত্তা হেক মান্নদে। মমিংশিসু চুমদে, লোয়না জে সি বি কৌদে। মপুসু মান্নদে, জে সি বি লৈরবদি এম এল এ ওইবা হেক্তা পাম্নরকই। এম এল এসু জে সি বি হেক্তা লৈনরকপা লৈবা মাল্লি। তুরেল / খোংবান শেংবসি এম এল এগী মথৌনিনা জে সি বি হেক্তা য়াওনৈ। লৈবাক কোৎনৈ, কেনেল তৌনৈ। জে সি বিসি এম এল এগী মচিন মনাওকাক মাল্লকই, থবক পুল্লি, থৌদাং মান্ননা লৌনরকই। গভর্ণমেন্ট হায়সিদি লৈবাক পেকফম কাক মাল্লকই, পৈশা ওইনা কোৎকেরা / পেক্কেরা তৌবসু য়াই, জে সি বিনা লৈবাক কোৎলি, এম এল এনা পৈশা কোৎলি হায়নৈ।

এদ্যুকেসন ফ্রি জোন ওইনবা হায়রিঙৈ, চূড়াচান্দপুরদা মাল্লি পাউচেদা য়াওখিবদু, স্কুলগী শঙ শাগদৌবদু এম এল এনা ঠিকাদার থাজিল্লুবদা হেদ মাষ্টরনা য়ারক্ত্রবা, স্কুল কম্মিটিনা শারগনি হায়নখি। মোইরাংদসু হেদ মাষ্টরনা ঙম্বা তাখি। এম এল এনা ঙম্বসু ময়াম লৈ। প্রোমোটেদ হেদ মাষ্টর তান্থোক্লগা মাগী মাগী ইন-চার্জ ওইনবা, মাগী মীনা ইন-চার্জ ওইনা পুরিবনা গভর্ণমেন্টগী ওর্দর ককথৎলুই, এপ্রুভ হেদ মাষ্টর ওইরবসু চঙবা য়াদবসু লৈ। স্কুলদি ওজাশিংগী নথৌনি চুম্না ফজনা তৌ হায়বা স্কুলদা করিসু য়েত্তবা এম এল এসু লৈ। এম এল এশিংসি অমত্তা হেক মান্নদে। এম এল এশিংনা ৱাখল মান্নদবা য়াওবসিননি লৈবাক্কী থবক্তা কারন অমা হেক হেক তৌনরকইবসি। এম এল এসু মীনিদনা।

ওজাশিংসু অমত্তা হেক মান্নদে, নোং হেক ঙানবদগী য়ু থক্লগা স্কুল কাবসু লৈ। মিনিষ্টর, দিরেক্টরদা খুরুম্লগা ওজা ওইখিবগী ৱারীসু লৈ, মদুসু নুপা-নুপী খায়পোৎ নত্তে। ওজা ওইদবা য়াদবদগী প্রাইভেট স্কুলগী ওজা ওইবা ময়াম লৈরি। পৈশা পায়দ্রবু, অপায়বা অমদা শেল পুথোরকউ স্কুল লিংখৎপসি তোংখ্রপোৎনি হায়রগা প্রিন্সিপাল কাক হায়বদু গভর্ণমেন্টদা য়েৎলুদ্রবসু হেক্তা ওইখিবসু লৈ। স্কুল শুংকা কাদনা তোলোবকী ওজা ওইবসু লৈরিপোৎনি। মপুন্সি চুপ্পগী ওজাদা ওজা ওইবা অয়ূক-নুংথিল লেপ্তুনা পাড়া তাকচরগা পেঞ্জবা ওজাসু লৈ, পোলিটিক্সতা হুং লাওবা ওজাসু লৈ। ওজাসু মীনি মখল য়ামখ্রপোৎনি। রিটয়ার্দ তৌরগা ভোট লেপ্পা য়াম্মী, ওজা নত্তবসু ভোলুন্টরি রিটয়ারমেন্ট লৌরগা ভোট লেপ্পসু চৎনবী ওইরক্লি। অফবা মী য়াম্না লৈজদবগী ওইবসু য়াই। ইতোমতা অফবা মীনি খল্লগা পৱারদা ঙাওবা ওইরম্বসু য়ারিপোৎনি। ওজাশিংসু মী মখল অমনি।

লাইনীংবা মীসু মখল য়াম্মী, লাই নীংলগা নুপী পঙথিদা থিবসু লৈ, লাই নীংলগা মাইবা শাবসু লৈ। লাই লাৎলগা চাবা পুবা ঙমদবসু লৈ। লাইনা লোয়না পীগনি হায়না থাজবসি চুমদবা ওইগনি। লাইদা পঙথাদা থাজবা মী য়াম্না লৈ, লাই হায়রিবসি করি ওইগদৌরিবনো খন্থনবদি থায়নদগী হৌরক্লবনি। মী ময়ামসিনা লৈখায় তাবা ঙমদবা মাল্লি। মী মখল খায়দোকপসি লাইগী মমিংদা খায়দোকপা য়াওরিবনি। লাই হায়বসি লৈরমদবা নৎত্রগা মমিং লানবা ওইরদি লাইগী মমিংদা মী মখল খায়দোক্লরুবসি লানবা তারকপদুনি। খরা ফবা, ময়ামদগী খরা হেন্না শিংবা ইপা ইপুদা লাইনি হায়বসিবু য়ানরবসু নুমিৎ থা মালেমসি মখোয়না শেন্নম্বনি হায়বদি হেক্তা লাল্লকপদুনি। লাই নীংবা শেন্দোয় চাবসু লৈ। লাই হায়বসিদা থাজনরিবসি মখল মখলনি। মদু য়েংলগা মী মখল-মখল খায়দোকপা ওইরবদি লাই হায়বা অমা লৈতে, মরক্কী ইপা-ইপু খরা মান্নদবা য়াওখিবনি, মী হায়বসি মীওই অমখক্তদগী শন্দোক্লকপা নত্তে হায়বসি খঙমিন্নবা অমা চঙলি। কাংলূপ মান্নে হায়না খন্নরিবা, লাইনীং পুল্লিবশিংসু ইপা ইপু অমত্তদগী শমথরকপা ঈ-মরী নত্তে হায়বসি খঙগদৌবনি। হৌরকফম পুন্নদ্রবসু পৎ-তৎনা নুংশিনবা কোটি-কোটিনি, নুংবু নুংশিনগে হায়রবদি মরম থিনদ্রবসু শিবা ঙম্নবা ময়াম অমনি। মী মখল খায়দোক্লরগা নুংশিনদনবা ৱাখল শাগৎলিবা মীশিংসি তোঙানবা মী মখল অমা ওইগদৌরিবনি। মখোয়না মালেমসি খুদুম চনগে খনবদগী ঙসিমক মালেম শিনবা থুংনা মী হাৎননবা শিল্লিবসিনি। মদুগী মহয়না মখোয় খরা মদোম শিজনবগীদমক লম্বী য়াৎলিবনি। মসিদবু মী হায়বসি ঙক্তে হায়বা য়ারিবরা? মদুদনি মী খরদি লাইনি হায়নরিবসি।

শিবদু নত্তবা শিনবা শিন্নবা মী ময়াম লৈরি। হিংবা হায়বসিদা শিবা কিদবা তারকপা। বংলাদেশতগী চঙশিল্লকপা ত্রিপুরী ফুবা ঙম্বা হায়বসি হিংদবা য়ারক্তবদুনি। লমদম অসিদসু অদুমঙায় হিংবা ঙম্নবা হুরানবা, দ্রগ ললোনবা, খামেন অশিনবা য়োনবা, মরোয় য়োনবা, মীগী ময়ূমদা চঙলগা য়েনখা-লুখাদগী য়োৎতেক-থাংতেক হুরানবা ফাওবা ঙম্নরক্লি। লম্বী শোরোক্তা ফাওবা মাগী মাগী মী য়াম্বা তান্নরক্লি। চায়াম পোকপা কিরুবা খরদি মুৎচখিবা তারকপদুনি, মুৎপা হৌরবনি। মুৎনবগী শাজৎ চৎলবদি মুৎচখিবা তাবনি। মী মখল য়াম্বনা নত্তে, ৱাখল চুমদবা, মরিল তানবা য়াওনবদগী শোয়দনা ওইগনি। মুৎলবদি মুৎলোদনা, কনবা ঙম্লোই। মুৎচরগে হায়বদু তোকপা অমা চঙই। হিংবা ঙম্নবগী শাজৎ খঙবা তারকই। মী মখল খরা য়াম্বদগী ৱারেপ লৌবা ঙম্নদবা ওইবসু য়ারিবা পোৎনি। মী মখল য়াম্লবসু ৱাখল মান্নবদি য়াই, ৱাখলোন মান্নবা, লৌশিং মান্নবা, পুক ফবগী চাং ৱাংনবা, লৈবাক মচা তাবগী থাক মান্নরবদি মী মখল য়াম্বগী ৱাথোক থৌদোক লৈরোই। ৱাথোকশিংসি মী মখল য়াম্বগী নত্তে। পূক্লিং ৱাখল মান্নদবগী, মীরোল তাবা-তাদবগী ৱাথোক খরদি মালেমসি কায়দ্রিবা ফাওবা লৈগনি।

মী মখল খায়দোক্লরিবসি লানবা ময়াম য়াওখি। লাই নীংবা মীনা লাই হোংদোক-হোংজিন তৌবসিনা হেন্না লানবা মাল্লক্লি। লাইনীং হোংলগা ফুরুপ ওনবা ওইনা খন্নবসু য়াওরকই। ‘মৈতৈ চৎপা’ হায়বা লাইনীং মানবা মিংথোন মীয়াম্না ঙাঙবদা য়াওরকই। লাইনীংনা মী কাংলূপ খায়দোক্লিবরা, মীনা লাইনীং খায়দোক্লিবরা খঙবা ৱাখৎলকই। লাইনীংগী মমিংসি শোয়রবদি অতোপ্পা কাঙলূপ্না লাইনীংসি লৌবা য়াররোই, অথিংবা থম্বগুম্বনি। অদুগা অতোপ্পা লাইনীংদি লোয়নমক লৌশিন্নগনি, লাই নীংবগী মাল্লক্তে। লাইনীংনা মী মখল খায়দোকপদু লমদমসিনা মুত্থৎপা মাল্লি। মী মখল খায়দোকপসি লাইনীংনা তৌই হায়বসিমা লমদম অসিদা চৎনদ্রে। মসিমক্তি অৱাংবা ৱাখল্লোন অমা ওইরক্লবনি। তশেংবদি লাই হায়বসি হেঞ্জিন্না থাজবা অমদগী ওইখিবনি, ইপা-ইপু লাৎপনি হায়বসিনা হেন্না চুনরক্লবনি। ইপা-ইপুনা মালেমসি শেন্নম্বদি নত্তে, য়াম্না চেকশিন্না শেন্নরম্মী হায়বগী ৱাতনি। লাই নীংল-নীংলগা মীরোল তাবা ৱাৎলক্লবদি লাই নীংবদু তোক্লরকপা তাবনি। অনৌবা মীরোলনা লাইগী ৱাসি লাপথোক্লুরক্লি। কাঙলূপ খরনা লাইগী মিংদা খুদোংচাবা লৌনরি। খেন্নরিবসি লাইগী ৱা নত্তে, ৱাখল লৌশিং মান্নদবগী ওইরকই। মী মখল মান্নদবগীসু নত্তে হায়বা খঙনরকপদুনি। ৱাখল লৌশিংগী য়ূম্ফম খেন্নহনবগীনি।

লৈবাক্কী ৱাথোকশিং অসিসু মী মখল মান্নদবগী নত্তে, মান্নবগী ৱানি। মীওই অমা অনীনা লান্না ৱাখল শাগৎপদগী তৌবা ওইগল্লি। মীওই কাঙলূপ খায়বশিংনা কাঙলূপকী ৱাথোক শাগৎকনি, কুইনা চৎলোই। কাঙলূপ অদুমক্কী মনুংদা খঙনা-খঙনা ৱা ফোঙদোকপা ঙমদবশিংগী থৌনা লৈরকপা মতমদা লান্না লমজিংবা পান্নুবশিংদুগী থবক থৌরমশিং নেমথখিগনি। মসি নেচরেল প্রোসেস অমনি। থৌওং অসি তমথহৌরিবা লমদমশিংদি খুমাং চাউশিনবা ইঙম ঙমদনা থিন্থহৌবা মশানা তারকইবনি। মসি লাইনা নত্তে, থৌদোক-ৱাথোক, অকোয়বগী ফীভম, ৱাখল-লৌশিংগী থাক, লাইরিক খূৎতম্বী অমসুং ৱাখল লৌশিংদা লৈখায় তাবা ঙম্বা-ঙমদবগী মখা পোল্লকই। মীনসু নত্তে, লাইনসু নত্তে, লৌশিংগী মখা পোন্না সিষ্টেম অদুগী প্রোসেস অদুগী মহয় ফংবতনি। মী মখল মান্নবা অমসুং মান্নদবগী ৱাদুনা নত্তে হায়বনি।

তোঙান তোঙানবা লাইনীংদা ঙাউদুনা লৈনরগা লমদম অসিগী য়েলহৌমীনি হায়বসি কদায়দনো অমা হৌরি। লাইনীং হোংলগা লমদমসিগী মী মাল্লক্তবা, লাইনীংদুগী হৌফম মীতোপ মাল্লকপা ৱাঙাঙ ঙাঙনরকপা য়াওনরি। মসিদি লাইদুনা নত্তে, মী মখলনা নত্তে, লমদমসিগী ৱাখল্লোনগী থাক অসিনা ওইগনি। পুনবা-পুনবা হায়না লাউনরি, পুনবদি ঙম্নদ্রি। মসিসু লাইনা নত্তে, ৱাখল লৌশিংদা পুনবা ঙম্বগী কাঙলোন য়াওনদবনি।

ৱাখল লৌশিং পীরিবা ওজাশিংনা লৈখায় তাদ্রবা, অচুম-অরানগী য়ূম্ফম ওইরিবা লাইনীংনা লম্বী অমা ময়েক শেংনা পীবা ঙমদনা য়েৎনফম ওইদুনা লৈরবা, মদুদা লৈঙাক পুরিবশিংনা য়াওদুনা লৈরবা খুন্নাইদুগী করম্বা লম্বী অমা লেপ্পা ঙমগদৌরি। লৈঙাক্লা লাইনীং য়াওবা চুমদে, সেক্যুলরিজমনি। ষ্টেট অসিদদি পঙয়াওদা য়াওশিন্নৈ, লাইসু লৈঙাক্লা লৌশিল্লি। হনচক-ঙাচক ময়াম্না লৈবাক পুবা য়াবা হৌনদে। চনিং তানা খন্থনবা চঙলি। লৈমিন্নরিবশিং পুন্দ্রবদি হিংবা ঙম্লোই, থৌরি চিংনবদৌনা য়ূমথংনবশিং হাত্তোক্লদুনা লেনবনা মীওইবগী খুন্নাই অমা শাগৎপা ঙম্লোই। লান তৌরবসু লাল্লোং লাল্লবা, পান্দমগী মায়কৈ লাল্লবদি অরেম্বনি। লাইবু লান্না লাৎলবসু অরেম্বনি।

খুন্নাইসিগী ইমুং অমমমদা চৎনরিবা লোনচৎ, নিংথৌ শাবা, লৱাই-ইম্ফাল খায়বা, ফুরুপ খায়বা, ইনাক খুনবনা লায়রববু হন্থনা খনবা ময়ামসি লাল্লি। মসিমক্লা অপূনবা খুন্নাইসি হন্থনা চিংথবনি। হন্দক্তা ককথৎখ্রবা পুলিস লৌবগী দি পি সিগী ৱাথোক্তা মসিগী মমি তাদ্রে। মসিমক মীয়ামগী তমজনফম ওইরে।